থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লৈবাক অমা, মীখল অমা ওইথোক্কদ্রা?

মালেমদা খ্বাইদই চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরিবা 'ইন্দিয়া'গী খ্বাইদই চাউবা মীখল/ইলেক্সন লোইখিদুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখিবা থা ফাদ্রি, ইলেক্সনদুনা পীরম্বা চৈনা, চঙ ফংনা মায়থীবা নংলবা ওপোজিসন পার্টি খরদদি কাউঙমদনা লৈরমখিনি। চহী মঙাগী মমাঙদা ফংখিবা মায় পাকপই চাং অদুদগী হেনগৎনা মায় পাকপগী মথোয় কারিবা রুল্লিং পার্টি, বি জে পি'না নংহৌররোই মতাগুম, অতোপ্পা মীখল মওং অমা হোংদোক্লবগী ৱা খন্নসি হৌদোক্লকই। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া'না শকখঙলবা পোলিটিকল পার্টি পূম্নমক খন্নবা অদু য়াওরনবা চেবাউ পী। জুন ১৯, য়ূমশকৈশা নুমিৎ, 'ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন' - লৈবাক অমা, মীখল অমা হায়বা হীরম অসিদা মাগী মাগী পার্টিগী ফিরেপ খঙহনবগা লোয়ননা ৱাফম অসি ওইথোকহন্নবা পান্বে থিমিন্নসি হায়জখি। থোক্লরনি খনবদুমক থোক্লখি। ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস, বহুজন সমাজ পার্টি, সমাজৱাদি পার্টি, ত্রিনমুল কোংগ্রেস, আম আদমি পার্টি, দি এম কেনচিংবা মরুওইবা ওপোজিসন পার্টিগী মীহুৎ অমত্তা মীফমদুদা লাকখিদে। লৈবাক্কী ওইনা করি ফবা/ফত্তবা ঐখোয় খঙদে- রুল্লিং পার্টিনা তৌরিবা খুদিংমক ওপোজিসন ঐখোয় য়ানীংদে, মখোয়না ঙাঙবা খুদিংমক লৈবাক মীয়ামগী মায়োক্তনি হায়গনি... মসিবু কৌই 'ইন্দিয়ন পোলিটিকল কলচর'। অসিগুম্বা পোলিটিকল ক্লাইমেট অমদা হৌরকপা পোলিটিসিয়নশিংনা লৈবাক ঙাক্লকপদুনা ইন্দিয়া চাওখৎ-লমজেল অসিদা মনীং ইথং থংনা চেল্লিবশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবনি ঙসি। ৱাখল ফিদম মান্নদবা পোলিটিকল পার্টি অনী-অনীগী মরক্তা অমবু মীয়াম্না থাজবা পোক্তুনা লৈঙাক-শক্তি শীন্নখ্রবা, শক্তি পায়রবা মতুংদা শেন্নক্লিবা লৈঙাক থৌশিল, পায়খৎলকপা থবক থৌরম মীয়ামগী য়াইফনবা ঙাক্তনি। শক্তি পায়হৌদবা ওপোজিসন কাঙবুনদি হেক্তা হায় - মদু মীয়ামগী মায়োক্তনি। চহী তরা মীয়ামগী থাজবা ফংদুনা লৈবাক ঙাক্লম্লবা য়ু পি এ, ২০১৪দা মীয়ামগী থাজবদু অমুক মাঙখিদুনা, এন দি এ'দা অমুক শিন্নখি। লৈঙাক অদু লায়রবনা মশীং হেনবা লৈবাকসিগী লায়রবা লৌমী-শিন্মীশিংগী মায়োক্তা লৈবা ইনাক খুনবা, কোর্পোরেট হাওজশিংগী মীচংদা লেপ্পা লৈঙাকনি, ২০১৯গী মীখলদা অমুক হল্লক্লরোই ঙাঙনখি। অদুবু, মীখলদুগী মতুংদদি লৈঙাক অদু হান্নদই হেন্না মখোঙ চেৎশিনহনখি। ২০১৪গী বি জে পি ইলেক্সন মেনিফেষ্টো'দা পনখি ... 'বি জে পিনা অতোপ্পা পোলিটিকল পার্টিশিংগা তানরগা লোক সভা অমদি ষ্টেট পূম্নমক্কী বিধান সভা মীখল অনীমকসি মতম অমত্তদা, অমুক্তদা পূন্না পাঙথোকমিন্ননবা হোৎনগনি'...। নীংবগা হেক তৌবা য়াবা থবক অমা নত্তবনা, মতম খরা ৱাফম অসি মনা মনিল নাইখিদে। ২০১৮ জন্যুৱারী থাদা নেসনল ন্যুজ চেনেল অমদা পীবা ইন্টরভিয়ুদা 'নরেন্দ্র মোদি'না হায়খিবা ৱা অমা প্রেস মেদিয়াদা কোথোক্তুনা ফোঙনরকখি ... 'ইলেক্সন অমা হেক লোইবগা, পূক্নিং অসি লৈতাদ্রিঙৈ অতোপ্পা ইলেক্সন অমগীদমক অমুক শেম শাবা তারকই..'। চাওখৎ থৌরাং-থৌশিল য়াৎপদা শীজিন্নগদবা কোক অদু মীখল করম্না থেংনগদগে? করম্না ভোট কাগদগে? খনবতদা শীজিন্নদুনা লৈরবনা পোলিটিসিয়নশিং পোলিসি-মেকর ওইরক্তে। মীখল অমা পাঙথোকপা অমদি মীখলদুদা মায় পাক্লনবা হোৎনবা! থবক অনীমকসিদা খ্বাইদই মরুওইবদি 'মনি-ফেক্টর' (শেলগী দরকার) অসিনি। মীরেপ (কেন্দিদেট) তুগী ক্বালিটি, ক্বালিফিকেসন - মীখলদা মায় পাক্লবগী মরুওইবা মচল নত্তে। ভোট্টর লৈনবা/ভোত্তরগী মমল পীনবা শেলদুনা মরুনি।

মোদিনা হায়, 'চহী মঙা খুদিংগী শুকশোয় শোয়দনা পাঙথোক্কদৌ লৈরবা লোক সভা, বিধান সভা, পঞ্চায়ট অমদি ম্যুনিসিপাল ইলেক্সন - মীখল ময়াম অসি অমুক্তদা থা অমগী মনুংদা পাঙথোকমিন্নবা ঙম্লবদি - গভর্ণমেন্ট, পোলিটিকল পার্টি অমদি কেন্দিদেটশিংনা তৌরিবা চাদিং হন্থহনবা ঙমগনি, মীখল পাঙথোকপদা/ভোট খোম্বদা শীজিন্নখ্রিবা মী (মেনপৱার) ময়ামদুগী মতম অমদি পাঙ্গল (ইনর্জি) অতোপ্পা থবক্তা শীজিন্নবা ফংগনি। হৌজিকমক্কী ওইনা, মখল কয়াগী মীখল পাঙথোকপদা মখল য়াম্লবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং চহী অমদা য়ামদ্রবদা নুমিৎ চনিদি শীজিন্নে।

অমুক্তদা লৈবাক হুপ্না মীখল পাঙথোকপা - লমদমসিদা অনৌবা নত্তে। কুমজা ১৯৫২দা অহানবা মীখল পাঙথোকখিবদই হৌরগা, কুমজা ১৯৬৭ ফাওবা লোক সভা অমদি বিধান সভা অনীমক্কী মীখল পূন্না পাঙথোক্লম্মী। অদুবু কুমজা ১৯৬৮ অমদি ৬৯দা ষ্টেট খরদা লৈঙাক কায়দুনা বিধান সভা মূৎখিবা, লোয়ননা কুমজা ১৯৭০দা মতম শুদ্রিঙৈ লোক সভা মূথৎখিবা অদুদগী হৌরগা 'ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন' ইন্দিয়াদা ওইথোকপা য়াররোইদবা অমা ওইরকখি।

অদুগী মতুং তারকপা এক্সপরিয়েন্সশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা কুমজা ১৯৮৩দা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্ট'তা ৱান ইলেক্সন মোদেল অদুদা অমুক হঞ্জিনহল্লকপগী তঙাইফদবা পল্লকপদগী ৱাফম অসি অচৌবা ইস্যু অমা ওইরকখি। কুমজা ১৯৯৯, লো কম্মিসনগী রিপোর্টতসু পল্লম্মী। অদুবু মশা-মশাগী ওইজ-ওইথক্লা মাঙওইনবা পোলিটিসিয়নশিংগী লমচৎ-নাইদবা মতৌদুনা, প্রোপোজেল অসি কান্নদ্রবা কাঞ্জ থাঙ ওইনা তাদুনা লৈ। ফনা কন্না হোৎনদুনা থৌওং অসি অমুক নৌনা হৌদোক্লবা হোৎনর'সু, পোলিটিসিয়নশিংনা খঙফম থোকপা ৱা 'পোলিটিক্স হায়বসি গভর্ণমেন্ট শেম্বা অমসুং থুগায়বদু নত্তে, চুম্না লৈবাক ঙাকপদুনি' হায়বদু খঙদ্রিবমখৈ 'ৱাথী' অদুম ওইখিনি।

লৌশিং পুক্কে

# অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা ডোক্তর অয়াম্বা পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেম মায়োক্নে

অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা ডোক্তর অয়াম্বা পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেম মায়োক্নে হায়বা কার্দিফ য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে। হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি সাইকোলো-জিকেল প্রোব্লেম মায়োক্লরিবা ডোক্তর অয়াম্বা মতেং লৌনবা হোৎনদে হায়বা ৱাফম অসিনি।



হেল্‌থ অমদি অতৈ অয়াম্বা মথৌ তৌরিবা মীওই অয়াম্বা ষ্ট্রেস মায়োক্নে অদুবু মখোয় অয়াম্বা মতেং লৌনবা হোৎনদে। বৃটিশ সাইকোলোজিকেল সোসাইটিনা পাঙথোকখিবা ষ্টাফ ৱেলবিইং সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি, সাইকোলোজিকেল প্রোফেসনেল অয়াম্বা ৱাখল নুংঙাইতবগী অৱাবা মায়োক্লবা তারবসু মশানদি খঙজদে। কনাগুম্বা খরনা খঙজবা তারবসু মীঙোন্দা খঙহনবা পামদে।

ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা মেদিকেল ডোক্তর অমদি সাইকোলোজিকেল ডোক্তর চাদা ৭০ না হায়খি, মদুদি মখোয় পুম্নমক মথৌ পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নে। মরুওইনা অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা থবক মফমদা কা-হেন্না ৱাবা অমদি থবক্তগী পোৎথারগা কমদৌগদগে খনবদা অৱাবা মায়োক্নে।

কার্দিফ য়ুনিভর্সিটিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ডোক্তর অয়াম্বা সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেম মায়োক্লরবসু হায়দোকপা ঈকায়বদগী মীঙোন্দা খঙহন্দনবা হোৎনৈ। মরুওইনা নুপী ডোক্তরশিংনা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্নে। মসিগী মরুওইবা মরমদি ইমুং-মনুংগী থবক্তা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা নুপীশিংনা ৱাখলগী অৱাবা মায়োক্নে হায়বা অতোপ্পা মীওইদা খঙহন্নিংদে। ডোক্তর অমা ওইবগী শিনফমদা অকায়বা থোরক্কদ্রা হায়না খনবনসু মীঙোন্দা খঙন্নিংদবনি হায়রি।

অমরোমদা, লন্দনগী কিংস কোলেজদা লৈবা সরাহ ক্লিমেন্ট অমদি গ্রহম থ্রোনিক্রোফ্‌টনা মীওই ৯০,০০০ রোমদা চথখিবা ষ্টদি ১৪৪ কুপ্না য়েংশিনখি। অনা-লায়েংগী শিনফমদা থবক তৌরিবা মীওই মরিগী মনুংদা অমদি মেন্টেল হেল্‌থ প্রোব্লেম মায়োক্নে অদুবু ঈকাইবদগী মতেং লৌনবা হোৎনদে হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি। মতৌ অসুম্না অনা-লায়েংগী শিনফমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা ৱাখল লৈতাদবা তারবদি মালেমদা হিংলিবা মীয়াম্না হকশেলগী ফীভম করম্না ফগৎহনবা ঙমগদগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবগী মতাংদা কাউন্সীল ওফ দ রোয়ল কোলেজ ওফ জেনরেল প্রক্টিসনরসকী চ্যেরমেন ওইরম্বা ক্লেয়র গেরাদানা হায়খি, মীচম-মীয়ামগী হকশেল ফগৎহন্নবা হোৎনদ্রিঙৈগী মমাঙদা মেদিকেল প্রক্টিসনরশিংগী ফীভম হান্না ফগৎহনবা মথৌ তাই। মায়কৈ অসোমদা চঙশিনবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা হেল্‌থ অমদি সোসল ক্যেরগী শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংগী অনৌবা নেটৱার্ক অমা শেম্লে। লাক্লিবা জুন ২১ দা অহানবা মীফম পাঙথোক্কদৌরিবা নেটৱার্ক অসিনা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী পূক্নিং-ৱাখলগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনগদৌরি।

বৃটিশ সাইকোলোজিকেল সোসাইটিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক মরুওইনা অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা ডোক্তর খুদিংমক মশা-মশানা মায়োক্লরিবা সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেমশিংগী মরমদা ফোঙদোকচনবগী প্লেটফোর্ম অমা লৈহনবা মথৌ তাই। লোয়ন-লোয়ননা ডোক্তর খুদিংমক মশা-মশানা মায়োক্লরিবা পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং ফোঙদোকপা ঙম্বগী মথৌনা লৈবা মথৌ তাই।

অমরোমদা, বৃটিশ মেদিকেল এসোসিএসনগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মদুদি ডোক্তর অয়াম্বা পূক্নিং-ৱাখলগী অৱাবা মায়োক্লবা মরম্না অথুবা মতমদা শিনফমদগী পোৎথাবা পাম্মী। ডোক্তরগী শিনফম হায়বসিমক্তবু অয়ুক-নুংথিল, নুমীদাং নাইদনা মথৌ তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মতৌ অসুম্না নোংমগী মনুংদা পোৎথাবগী মতম ইফং ফংদবা মথৌ তৌরিবা ডোক্তরশিংদগী অতোপ্পা শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা শেল হেন্না তানবগা লোয়ননা পোৎথাবগী মতম হেন্না ফংই হায়না ডোক্তর অয়াম্বনা লৌই। বৃটিশ মেদিকেল এসোসিএসন্না চথখিবা ষ্টদি অমদগী ৱাফম অসি খঙলকপনি।

## পোষ্টর কেম্পেয়ন, ষ্ট্রিট কোর্নর মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস): ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট ড্রগ এব্যুজ এন্দ ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিংগী শরুক অমা ওইনা কোলিসন এগেনষ্ট ড্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পোষ্টর কেম্পেয়ন অমসুং ষ্ট্রিট কোর্নর মীটিং পাঙথোরকপগী মখা চথরকপা ওইনা ঙরাং বিষ্ণুপুর অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা ষ্ট্রিট কোর্নর মীটিং পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম অনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা মীয়াম তীনবা মফমশিংদা ষ্ট্রিট কোর্নর মীটিং পাঙথোকখি। পোষ্টরসু থেৎখি। মমা-মপা ওইবশিংগী ফিজিগী মনিনি খন্না থল্লিবা খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা নহা কয়ানা ময়াই কাবা ড্রগ মখল কয়াদা লাইচুদুনা তীঞ্জং কায়জংবা ওইরক্তুনা খুন্নাই লৈখা তানা মাঙখিগদবদগী কনমিন্নসি হায়বা পাউজেল কয়াসু পীখি। নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাংয়েং তৌবীগনু। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী মতম খুদিংমক্তা লাপ্না লৈবীয়ু। ময়াই কাবা চীঞ্জাক লল্লোন্দুনা শেল তানগে খনবীগনু হায়বনচিংবা পাউজেল পুবা পোষ্টর কয়াসু থেৎখি। মফম কয়াদা ষ্ট্রিট কোর্নর মীটিংসু পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম অনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি জিরিবাম অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কাদাগী থৌমীশিংনা টিম শেমদুনা ক্লব, মৈরা পায়বী, ভিলেজ ওথোরিটি অমসুং মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা পোষ্টর কেম্পেয়ন অমসুং ষ্ট্রিট কোর্নর মীটিং পাঙথোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ষ্ট্রিট কোর্নর মীটিং অমসুং পোষ্টর কেম্পেয়নশিং অদু দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংবা পুলিস আউট পোষ্ট অমদি পুলিস ষ্টেসনশিংগী পর্সনেলশিং য়াওনা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী মীয়াম তীনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামগা লোয়ননা মায় পাক্লা পাঙথোকখি। লমদম অসিদা মীয়াম্না থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিংগী মনুংদা য়াম্না সেন্সিটিব ওইবা ইস্যু অমা হায়রগদি খুন্নাই অসিগী নহারোলশিংনা তোঙান তোঙানবা ড্রগ মখলশিংদা লাইচুরক্তুনা নোংম-নোংমগী লৈখা তারক্তুনা খুন্নাই অসিগী তুংগী মীরোলদা পীরক্লিবা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরিবা ড্রগকী ইস্যু অমনি।

ইস্যু অসি মতম চানা লৈঙাক অসিনা অমদি মীয়াম্না থেংনহৌদবা তারবদি খুন্নাইসি চহী খরগী মনুংদা মুৎখিবা য়াবগী অকিবা চাউনা লৈরে। মণিপুরগী ফ্যুচর ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কঞ্জনবা মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ মপুং ফানা চৎনহল্লু। মণিপুর ষ্টেট ড্রগ পোলিসী শেম্মু, মণিপুরদা য়ু লাইসেন্স পীদুনা শুংহনবা য়ারোই, হিদাক মনাগী পোৎলম মপুং ফানা থিংঙু অমসুং ড্রগ লল্লোনবা, মশাগী ওইজবা থিবা মীয়ামগী খন্দবা, ৱাদনা শেল তানবা পাম্বা মীওইশিং লোগী ওইবা মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু হায়বা ৱাফম কয়া থমদুনা মীয়মাদা পাউজেল পীখি হায়নসু মখা তারি।

## ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস): গুরুপাৎ ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসন অমদি য়ুথস ওর্গনাইজেসন ক্লব, নহারুপ মখা পাৎকা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারেপ কয়া লৌরে হায়না এসোসিএসন অমদি ক্লব অসিগী থৌ পুবশিংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, গুরুপাৎ ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসন অমদি য়ুথস ওর্গনাইজেসন ক্লব, নহারুপ মখা পাৎনা কোনবা মফমশিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা অমসুং য়োনবশিংগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিল্লবসু ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা, য়োনবা হেঞ্জিল্লক্লে। মফমশিং অসিদা ঙসিদগী মখা তানা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অমদি চাবা থেংনরবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক মশা-মশানা পুজগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।



HL-B/5398/20,21,22,23,25-12july (alt)

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।০৬।২০১৯ ইং, নোংমাইজিং, ইঙাগী ২২নি পানবা।

মেষ : মরুপ-মপাংগী মতেংদগী অনৌবা থৌরম পাংবা অমদি কান্নবা ফংবা লৈগনি। মীয়াম্না থাগৎপিবা অমদি অফবা মফম ফংই। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী - মচিং হেনগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : অয়েৎপা খরা চেল্লসু, নরল চাওখৎপা, অহেনবা লৌশিং ফংবা অমদি ৱাখল তামিন্নবা য়াবা লৈগনি। পুক্নিং পেঞ্জবা অমদি অফবা মীংচৎ ফংবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নক্লবগী মতেংনা কান্নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : মরৌ লৈবা মীদগী চেকশিল্লু, মীতোপ থাজগনু অমদি ৱা য়াম্না ঙাঙথোক্কনু। হন্থবা লোইনবনা কাইনবা অমদি মাঙজবা লৈগনি। অফবা খরসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পুক্নিং ফাথৌ, তঞ্জা ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

কর্কট : মরুপ অমদি মীয়াম লোইনবা য়াম্না কান্নগনি। মরম চাদনা ইচং থৌবদি চাদিং হেনগনি অমদি হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎকনি। নশাগী ৱাখল্লোন্না থৌ পাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক্কী লম্দা চাউনা শেন্দোং ফংগনি অমদি ঙাঙথোকপদা মীনা থাগৎপিবসু লৈগনি। থিজিনবদি লেপকনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : পুক্নিং ৱাবা অমদি য়েক্লবনা মরুপ-মপাংগা কাইনহনবা য়াবা লৈরসু লাইবক ফবনা নীংবা মপা চাবা অমদি মীচং হেনগৎপা লৈগনি। হন্থবা লোইনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

তুলা : মীয়ামগী মতেং লৌবা য়াগনি, অনা-অয়েকসু কোকচৈ অমদি মীরক চংলগা নুংঙাইজবা লৈগনি। শেল-থুম খরা পনবা অমদি মীকোক থোংবা ৱাবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - পুক্নিং পেনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক : হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, পাঙ্গল ফুদোক্না পাংবা থবকশিং মাই পাক্কনি। নোল্লুক্না চত্রদি অনম্বা তান্নবদা য়েংথিনবা য়াবসু লৈ। খন্থৌ খুৎচাউ থাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নাপলনা মাঙহনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।


ধনু : অফা অপুন্নবা অমদি নরল ময়েং তাবা য়াবা লৈ -থিবা-হুম্বা লেপকনু। ইকায়খুম্নবীবদি লৈগনি অমদি লাইবক ফবনা শেল-থুমগী থবক্তা মাই পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : লৌশিংনা পাঙ্গল ওইগদবা নুমিৎনি, নঙগী ওইবা মীগী মতেং লৌবা কান্নগনি, পাউ নুংঙাইবা তাগনি। নচা-ননাই অমদি থবক্কী লম্‌দসু পেঞ্জবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।


কুম্বা : পুক্নিং মকা লাম্বা, য়েক্লবা মাঙখিবা, লল্লোন ইতিক্তা চাউনা কান্নবা অমদি নথক থোংবনা য়াবা নুমিৎনি। অনম তানবদা ইমুং-মনুংদা ঈংবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা য়াম্না চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : নচাক-নরল চেকশিন্দবা তৌগনু, নথক থোংবনা য়ানবা চৎলু অমদি ফিংবা য়াদে। ৱাঙাঙ অমদি তুংগী পোরম য়াৎপা হৈবা ৱাৎকনি-অখঙ অহৈ তান্নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱা ঙাঙথোক্কনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



HL-B/5383/12,13,14,16



HL-B/5474/13-22